ফোঙ্দোকপা—
শ্রীথাংজম য়াইমবী সিংহ
থাংমৈবন্দ খোয়াখোং।

১নবা ফোঙ্বা—১৯৬৮ হং
কপি—৬০০

প্রিন্টরস্—
দি ফ্রেণ্ডস্ ইউনিয়ন প্রেস,
ইম্ফাল।

দাতা কর্ণ

শ্রীহরি গুয়াংহু অহান্ লৈবা ভয়িদৌবু থাইথম থম্মাং পাবন্ লাই, হৈরেং পুরাণ্ [illegible] তারিবা শ্রীগোবিন্দ লাই মরুপ্ য়াথং অহান–বদা [illegible] লুক [illegible] থুপ্প, মুকুম্ লৈতেংল্ কোল্, য়াথং হিকুয়াইন হয়া [illegible], [illegible] নমঃ নমঃ থীওমদনা হম্ম থুরু[illegible]রাক্ক। [illegible] ইতম্ [illegible] সরস্বতী বিদ্যা লাইবক-[illegible] [illegible] হম্ম থুকমহরাক্ক [illegible] [illegible] পুষ্পকপু [illegible] থুকম্মগা অহান [illegible] অঙ্গদেশ [illegible] অচুম্বী [illegible] মনা [illegible] কর্ণ [illegible] কৌএ। পাকেশ্বরী মহারাণী দ পদ্মাবতী [illegible] কৌএ। কর্ণ [illegible] পদ্মাবতী অনিরুদ্ধ [illegible] [illegible] নিপান [illegible] শাংলে হায়দবর? [illegible] সনাতন ধর্ম্ম [illegible] কৌবা [illegible]। [illegible] শাংপা [illegible] হুন্ শলেন্ লাই-ফাও খিনবা, [illegible] শক্তা হেনবা, পুম্নং লিঙ্গ [illegible], [illegible] মমংথোংদা বৃষকেতু কৌএ। বৃষকেতু [illegible] লমদাংশাংবু হয়া লাওবা শৈথিরকে।

শ্রীকৃষ্ণ লাইয়াংথো [illegible] অহুম্বা মপুরেন্ মচু

নোংলেন্ লাইজ তরং ঈনৌ মানবা, সনাগী মেখলা থাংচেৎনবা কঙ্কন মধুজিব্ লমঙান্ নাইবা, নূপুর থোংজি মনিল্ নাইবা, সনা কুন্দল মনাশি ঙা কিহোমশাবনা চুপ্লেন মরাং হৌন নাপ মঙাল নাইবা, সখি চন্দ্রিকা রাহোং তুনিংথৌনা চূড়া শমথোং লৈতেং হেনবা, ধবাকী পাসাকা ভুরৈ হঙ্গৎপব্ নিংখিরিবা, শমজোই থোইমু মানবনা নাথাং শমদোন্ য়েবা, চতুর্ভুজ পাংযাম মরি পানবা, শঙ্খ-চক্র-গদা-পদ্ম খুৎলাই মরিমক্না লৈতেংবা, অশোনবগী পাঙ্গল ওইবা, পাংদবগী মীচং ওইবা লাইয়িংথৌ-ও, শ্রীবৃন্দাবন মুংঙাইব কুঞ্জ উমুং অচিকপা তাইবং ঋতু তরুক মক্না তত্তনা থোক্লিবা মলমথৈ, পামেল কল্পবৃক্ষ মকুবা জম্না উনিংথৌনা পোক্লিবা মরাইতম্, যমুনা তোরৈ থেক্ চাংজৌ শিংথোং য়ৈ, ঈশিং কোঙ্গোন লৈরিক্ কানা চংলব মলমথৈ, পোনবী তেনবা লৌশিংবী, চোংঙ মীরোন থোকপনা পামেল উশা খুদিংদা পোনবী অনি চিল্লোক্, চেক্না অনি চিন্দিম্না হরি কৃষ্ণ কোলোই মমিং শোন্, রাধা মিংলেন ফালন ঈমুং চৌংথোং য়াকায়নবা মলমথৈ, কোকিল চেক নিংথৌনা কুহু কুহু থোমেল তানবব্ ময়েক মঙা থোক্না থোংবাই, ভৃঙ্গ থোইমু লেপাখন লেরাং লৈগী থক্না তাওনরিবা মলমথৈ, ময়ুর-ময়ূরী রাহোং লাব-অমোম অনিমক্না নোঙ্গনা খুৎথেক নোঙ্গমন্লাং নোঙ্গনা ঙমতলহৌনা শান্নরিবা মরাই তাম্, তাওজিং হৈ-য়াম্নক, শিংলেন লৈয়াম্নক্না থাংতা লৈকাই পোক্চৈবা নন্দরাজ মপারি পলেম মম যশোদা পাইম সনা লিনকোইগী নাওনৌ হাথবা পতিত পাবন ওইবা, দয়া থোজাল হৈবা শ্রীগোবিন্দ লাইমক্না মনাই ভক্ত পুক্নিং থংগে হায়বগী নন্দরাজ যশোদা অনিমক্না পাওমেনাংথএ—হে পম্বৌ-পলেম অনিমক-ও, নপারি এবু

ইনাই ভক্তগী পুক্লিং থংলুগে, অঙ্গদেশ মপুংগ্নাইবু ইস্তানবুথিগে হায়না পাওমেনববু নন্দরাজনা ভারবগী পন্থৌ মপা নন্দরাজনা ফৈরাতান্দা শম্, লৈ'ক্লৌশান' কোন্না পাওমেনখিএ। পারি করি রানো. নাওয়া নতিক নত্ত, অভাং নপা নত্তনা করি করম চংথোক্‌-বনে', ইবুংঙে-চংকনো হায়না থৌথামখিএ। নপন্ পলেম মমা পোকমাবী নন্দ-যশোদা অহেনবীস্তুং মপারি শ্যাম শংবায়ববু চেংলৌ শকথোং চিংনা য়েংনা, ফৈরাতান্দা থোংনা লোক্লৌ শানা কোন্, শম্নাং-ভোনগা নান্, শিনৌ কুয়াং শিং, চিনস্না থম্বাল মায়োক চুপ্না পাওমেন্‌-খিএ—হে পারি ইবুংঙো শ্যাম কাহ্নই শকহেনবা-ও, নাপন ঐগী চৌংম্বুং থরাক্ লৈ, থরাক নোংত্রেন খহেনবা, নোংনিং লৈলিক্ চিন্‌বা, পুংয়ান মমাই য়াম্নফবা ইবুংঙো, পলেম নমা ঐনা কোয়ৌ নোংজা খুদিংবু নোংপোক চাকমিংশেম্না ছায়া মীয়েন কাবগুম পারি চেংলৌ য়েংনা পেল্লিবনে, ইবুংঙো করি রানো ? অঙ্গদেশ লোইদাম থাবুম ভরেং চংপা লম্বু পারি থোংসনা থোং থম্বাল পুমশাং লৈগুম্বনা থুম্না লৈচেং নেং থৌবী ময়াক চায়া কদৌবগী করম চংথোকবনো ? ইমাগী অমৃত থোম্নাং লাইজ ইনিংথবহুম ইয়ালারো হায়না থৌথাম্ববু হোই-য়াদনা পাওথমলকএ—হে পলেম ইমা-ও, অঙ্গদেশ মরৈপুংগী কর্ণ নিংথৌ কৌবদি চুক্ কুমশিং অহুমগুনা নপারি ঐবু নিংনা থোইরে। ইনাই ভক্ত অচেংপনে। ভক্ত পুক্লিং অত্তাগুববু থংলুনিংএ। নপারি ঐবু কোয়ৌ মশিং য়ায়োই, লোইদাম থাবুম কায়োইএ হায়না পন্থৌ মপা নন্দরাজ, পলেম মমা যশোদা অনিমকপু দগুবং মালেম লৈদা পক্লা থুকমলবগা শ্রীকৃষ্ণ লাইমিংথৌদি দ্বারকা মপুংয়াই মুক্তাবলী লাইশংম্বুং মণিরত্তন সিংহাসন্দা ফম্না রাহরখিএ।

হে সখী লিশিং তরাতরুকমক-ও, কৃষ্ণ এবু ইনাই তত পুথিং থজুখিগে, বিলাস হৌরাও থোইনা শায়রম-ও হায়না পাওমেনববু সখী লিশিং তরাতরুকমক্তা মিৎস্না থগাল-মানবীশিংবু মিৎকোই লাইজ ঈকয় তাও, প্রেম লাইজ ঈরা চেল, মথুং জুর ত্তোনা পাওমেনখিএ —শ্রীকৃষ্ণ ইবুংঙো, তাবিও। কৃষ্ণ নংবু লৈত্রবদি শ্রীবৃন্দাবনস্থং অমেমনে। লৈরাং অভিংতানে। ননাই সখী ঐখোয় পুন্নমক্তা প্রাণ থরাই ঈমিরেনবু ওইরিবা-ও, চৌংঙু তম্না ওস্তেরকও, থোইবুম থুনা হনবাইবিরকও হায়না থুকয়বগা শ্রীকৃষ্ণ লাইরিংখোদি মথোম কোনোই থমিংথোংবু কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোয় যাত্রা থোংশানক্রে হায়দক্রা ?

শ্রীকৃষ্ণ লাইরিংখোদি চৌংঙু মায়া শান্লোন্ মাখদি থোইরম চেংনৌ মশক ওল, ঝুলি থাওজাও থাং, মোংপি চৈত পালোইবনা, মুখী থুনাই থুত্তা পায়, পামেন উকু শেং, পাম্বা কৈউজ্ ইল, অক্রিক লিকচাও শি, সন্ন্যাসী থুনকোইববু শানা চৌংঙু মমাই লোংপোক পাংনা অহিং থোমেন ভুম্গন্দা, মুংখিন্ মায়া পোত্থাদা, উথোং লম্দন্দা উথা মারেক্তনা মাংনৌ লমদাং শিংলকপদা কর্ণ নিংথৌরেনগী পূর্ব্ব নোংপোক থোংজাওরেন্দা রাইথুংলরে হায়দক্রা ? চৌংঙু শান্লোন্ মাম্বা, লম্বোই লম্বোই লাইবু নিংবনা রাহমখিএ— কে কর্ণ নিংথৌগী মথাইরেম কৈদা লাইকা থোংথৈকম্বা লৌচৈ তরান্ তমা থাক্তী থোংশাংবশিংও, ব্রাহ্মণ সন্ন্যাসী এবু কর্ণ নিংথৌ চেংনৌ শরু উবগে হায়না লাকএ। কর্ণ নিংথৌনা চিন্কোই থুনা পাও-তাক্লু-ও হায়না রাহমখোনগী দ্বারপাল থোংশংখশিংনা লম্বোই মমা

মাবাথংবু তাংজো লুদা খোরনা অচেন খোতৈন মাওনা কর্ণ নিংখৌদা পাওতাকখিএ।

হে কর্ণ কোরৌ হাইনোংখৌও, নিংখৌ নগী পূর্ব্ব নোংপোক খোংজাওরেন্দা ব্রাহ্মণ লাংমোহবা অযন্দা নিংখৌ চেংলৌ শকউনগে হায়ন লাকপবু নদাইরেম দ্বারপাল ঐখোস্কনা লংমোহ থাঙং থায়ম্লিএ হায়না পাওদম্নবদা কর্ণ নিংখৌ খোহয়ম লাইবু নিংবদি ওয়াও পুরিং চংনা পাওমেরকএ। হে হদাইরেম কৈদা নাইকা খোংথৈগী হাওসি থ্রুপনাংমচিংবা-ও, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব লাংমোহ লাইবু নিংববু মাংলৌ নমথংনবদি খোহয়ম লাইবু থংপগ মাইরেএ গায়এ। লংমোহ মাংলৌ নমথংকরোইএ। মাঙ্না পাওকৌশিরকও হায়না বাহমখোনগী কর্ণ নিংখৌ মালেম্ কৈদা নাইকা খোংথৈগী চজবদি মাঙ্না খোংলোই হয়: চেংমোক্রবগ লংমোহ সনা মখোংখাদা মাথং অনোনবনা বাহমথিএ। হে ঠাকুরজি ব্রাহ্মণ লংমোহবা খোহয়ুম লাইবু নিংবা-ও, নমদা ওাকাপহৈব হবৃংঙে', তাবি-ও, কর্ণ হনোংখৌনা লংকোই সনা নখোং লেংশিনবিরক-ও হায়ন থুরুমজরকএ। অস্মুম পাওমেরনদা খোহয়ম্ শানওল মাম্বদি হস্রবা লেংগা চন্, হন্গু মমাই কা', কয়াকু কুরু ও'শিয়া থুবোম শিঙ্গাই হৌশিয়া, মিংমৈ পলোং ওপ্, লাইরেন্ হৈচুপ শা, চেংলৌ মিংকম কুং, নমু শকথঙ্ য়োন্শয়া মাকেন মখৌ কুম্, খোংকম মওম্ চি, তাংজ' মগম জৌ, মাও মুংগে লৌ, মাংকেন লাইনা খোঈ, থুলাং শোচৈ তাও, থুদোল্ ইকাও শ', কুরাং উন্শা ক্পুগ্‌ খোংগী চৈও পালোইনা মুবী থুজাই থুত্তা পায়, ঝুলি থাওজাও থাং, পামেল উকু লেং, পাঙ্গা কৈউল্ হক, অরুবা চেংলৌ শকুনমা চংখিবু কর্ণ নিংখৌরেনা জৌকি মনা তাংবনথজা কুশ করাংচান্‌বু খানা [illegible]

লম্ফু য়ুং, তাওজিং চুবান্ য়াও, যব লোইমোম্ কৌ ময়োল, ঘট লাইজ ঈমাই চোন্, তাওজিং হৈনৌ থেং, পোৎলোই মশিং তুং ধূপ, মৈখু চাওনগা, চেং থোইদিং য়াও, তিংখৌ লৈয়োল শং, জাতিপুষ্প লৈরুং-শিগা শিংলেন, তুলসি লৈরুংশিবু লৈরাং পরেং ভাংগোই য়াও, বর্ত্তী থাংবৈ চিক্লা থান্, তাওজিং হৈরুক শেম্, কা লাথোন কৈবা, শিংলেন চুনবনা ব্রাহ্মণ পূজা ঈবাং লোইরবগা কর্ণ নিংথৌ ভক্তি ভাংগোই-থোংবু চুনাবনা লাইরিক সাধন মরি তগা পণ্ডিত নিপা থোকপা বলবান পাজলবা, ক্ষমা দয়া ভাকতৈবা, বুদ্ধি পন্দোল লৌশংবা, চৌংথোং নোংলোন পাইতগা, থাম্মৌ লাম্তারবা, শরেন নোংশা থোংগাওনবা, উনবী মচাক্ হোম্বা, লৌশিং কোনজিন নাইবা, লানকম উনবী পুক্লিং ভগ্না, য়াইবী থরাই শেংবা, পাইমা পুক্লিং চেৎপা, থোইরম লাইগী থোংজিন্দা পুক্লিং মমাই ওনশিনবা, লাইনিং শাজেল কাওদবা, পীন হালেংদবা, পাম্মু লল্লিক্তবা নিংথৌরেন্না মতক চরৈ কিগা য়েং মথুং জুর তৌনা, কোলোই অমেংবা য়াথং নিংথিবনা পাওহংজখিএ—হে ব্রাহ্মণ অথোইবা, বৈষ্ণব বৈরাগী থোইথোইবা যোগ তপস্যা লাইনিংবা ঠাকুরজী অহন মতম ওইরবা-ও, ননাই কর্ণ ঐগী ইরান মোংবায়াই অসিদা লম্বোই সনা থোংথাগী মালেম উকুন্ তারিববু কর্ণ ঐগা পানা য়াইকববু ভাইবং নোংশাপান্দা অনিশুনা লৈরবোইএ। কর্ণ ইত্তোম্ নভাইরগতনে। তৌইশুম য়ারম করি লৈবগী লম্বোই সনা নথোং লেংখিরকপনো হায়না পাওহংজখিএ।

চৌংতু শান্ওল্ য়াম্বনা পাওথুমকএ। হে কর্ণ নিংথৌরেনও, লম্বোইবা ঐবু অরাং নোংলেন নোংজাদো থোইরম লাইগী য়ুমিৎনে,

একাদশী ব্রত তরা চাহেনলকপগী তরা চকম হোং, উনবী খোংনিং-তেংলক্লে। ভসি কোরৌ হুমিংতি পারবা তরা খুন্‌পুন্‌ হুকপা হুমিংনে। লম্বোইবা ঐনা য়াংলৌ লম্বী চংনা পাইমা ঐগী ইপুক-হুংদা নিংথম্লকএ। শৈপাক করম্বা নিংথৌ কনানা চানিং ইনিং থুংবা পীজরক্কবনে হায়না নিংলুববু শৈপাক কনাস্তুং পীরোইএ, নিংথৌ কনাস্তুং ভম্লোইএ, কর্ণ নিংথৌ নংদি পীজা হাপেংদে, পামু লম্লিক্কে, সত্য রাচুম শুয়ে, লম্বোই ঐগী চানিং ইনিং থুংবা পীজরমগবনো হায়বগী নিংথৌ নতোন্দা মাধুকুরী ভিক্ষা তরা চাকনিগে হায়না লাকএ। পীজরোই নিংথৌ কোলোই নয়াখংবু পুক্লিং চিংনা শৈতনা পাওখুম্‌-ও হায়না পাওমেল্লবদা কর্ণ নিংথৌরেন্দি পাইমা উনকোইস্লুংবু নিংথম্‌ কাংমৈভিক্কুম হরাও মথোই তোংনা পাওহং-জখিএ— হে লম্বোইবা ব্রাহ্মণ খোইয়ম লাইবু নিংবা-ও, য়ারৌ শাশিং চামনিপায়ে, মুয়া চাবা মরম চামানিপায়ে, হিংনা চাবা মরম চামা-নিপায়ে। য়ারৌ শাবু চাগেরা, কাওবেন লন্তোম চাগেরা, ফলমূল চেংপাক কবোক চাগেরা, পোলোই অসি পুম্নমক্কুগী লম্বোই ব্রাহ্মণ চানিং অপাম খম্ন হায়বি-ও। নিংথৌ ননাই কর্ণ ঐনা চানিং অপাম্বু উনবী পুক্লিং থুংহনগে হায়না পাওখুমজরবদা চীংক্‌ শিদবনা খোইয়ম লাইমক যুগকী লম্বোইবনা য়াহমলকএ—হে কর্ণ নিংথৌ-রেন অখোইবা-ও, পাইমা নংগী উনকোইস্লুংদি থংদে। কোলোই নয়াখংদি মুংডাইরে। মহান পূর্ব্বে মমাংভেদস্থ মুনি তপস্যা লাই-নিংবদা ধন ললয়াম পীনা দান ধর্ম্ম তৌএ হায়নস্তুং লম্বোই চানিং ইনিং থুংহনগে হায়রবদি নিংথৌ শরিমথৈ কংও, নামুং পন্দোম্‌ লোমও, নিংথৌ সত্য য়াশকও হায়না পাওমেল্লবদা কর্ণ নিংথৌরেমা

হায়মখিএ   হে ব্রাহ্মণ লম্বোই লাইবু নিংবা-ও, অখিশো সত্য, শ্রীকৃষ্ণ মনা মখোংথানা থংজনো হায়না সত্য য়াশক্লবদা খোইরম লাইথিংথৌ লম্বোই লাইনিংবা শাবনা উনবী পুক্রিং হরাওখোই, চিনসনা চিম্‌থম্বাল্‌ খোংবু খোইরম মোমোন্‌ নোক্না পাওখেন্‌-লকএ—হে কর্ণ নিংথৌরেনও, পোংলোই অসি থৈবিক্লকপী চামিং অপাম থংনা হায়রগে। লেমবৈ ভাদি চানিংদে। য়াওবৌ শাবু চানিংদে। য়াওরৌ শা মশম্‌ ভক্লকতুপান্‌ শাক্সুং চানিংদে। নমু ভাইবং মীশা চানিংএ। নমু ভাইবং মী হাও অরাম্‌দি চানিংদে। নিংথৌ নপারি শিংলেন্‌তোন্দা পোকপা লৈরাংতোন্দা শাংপা কোলোই মখিংথোংবু বৃষকেতু কৌববু চাগে, চুম্না হাংশবক্সুং চারোইএ, কোরাটি কৌবা হোয়াইদো কর্ণ নিংথৌ নংনা হোরাই মকোক পায়, পদ্মাবতী কৌবা মহারাণীনা গোয়াই মমৈ পায়, নপারি য়াইদা থম্না লথাই কোইরেনথক্কপী হৌনা থায়খৌও। মথা ভোপ্পা খোংও, মকোক্কো অম্বোল ভৌও, অহুগা চাগদবনে হায়না পাওখেল্লবদা কর্ণ নিংথৌরেন্দি স্বর মুংশামপী ফুইনা হোন্‌, শমু থুং অনিমকপু ভাংজা কোক্কো নম্না, চেংলৌ শকথোং মক্না, বুদ্ধ ভৈনা লাকখ্রমদা, য়াথং পাওমেন্‌ফম্বু থংদনা হরি হরি কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোয়া লৈরিবৈভে, চৌংভু শানওল্‌ য়াম্বনা লম্বোই লাইবু নিংবনা অনৌবা পাওমেল্লকএ—হে কর্ণ নিংথৌও, কোলোই থুনা পাওথুম-ও, লম্বোইবা ঐ হৈরান ওস্তেথিগে, হচিক হনবাইথিগে হায়না পাওমেল্লবগী কর্ণ নিংথৌরেম্না ভক্তি কাওপি চিলগাক্লা পাওথুমখিএ।

হে ব্রাহ্মণ লম্বোই লাইবু নিংবা-ও, কোলোই নয়াথং অসিবু পুক্রিং শঙ্কোচ লৈত্তনা ভৌথি শোংকাংনিক্কা, বামোন লমচৎ নক্না

গৌরিয়া ধর্ম্ম অরুববু নমদা হুয়া পাওমেল্লবা অসিবু কোলোই য়াথং অরেপ্পা উনবী পুক্নিং অশোংববা হায়না পাওহংববু লম্বোই লাইবু নিংবনা পাওথুম্লকএ—হে কর্ণ নিংথৌও কোলোই অরেপ্পা য়াথং অচুম্বনে। উনবী পুক্নিং অপাঙ্গা মহাক্কে হায়না য়াওম্লবদা কর্ণ নিংথৌরেম্মা য়াহমথিএ। হে লম্বোই লাইবু নিংব-ও নিংথৌ ঐবু সত্য য়াশকশিন্থিরে হৈপারি বৃষ:কেতু কৌবা ইচাবু লম্বোই সনা নথোং থাদা মকংলগে হৌহৈগুম্ পদ্মাবতী পলেম মমাতদি ডাকং চক্থিগে হায়না থুকম্লম্লবগ কর্ণ নিংথৌরেন্দি মপারি মুংশিন্মেনা থমোয় তেন্বান্ থোহৈরবগী প্রেম লাইজা হৌরবগী য়াওবা থোক্লেল থোক্লা কপ্ বৃষকেতু কোলোয় মমিংকায়া পদ্মাবতী কোলোই মশঙ্গাইদা চংসক্লে হায়দত্রা ?

হে সাধুজন থোইম্ম লাইবু নিংবশিংও, থোইরম মশান্ ওন-থোকএ। কর্ণ নিংথৌ মশানৌ গৃহিনী য়ুম্লৈমা পদ্মাবতী মহারাণী পাঙমা পুক্নিং হৈংলবী উনবী মচাক হোম্লবীনা মথংলেন্ কর্ণ চেংলৌ চিংনা য়েংনা আসন মফম্লেন্দগী মালেম্ লৈদা কুম্ থুক্থুদক্ শন্থা লৈমাইকুন্, মথুং জুর তৌনা পাওহংজরমএ—হে থংলেন নিংথৌরেন চেংলৌ শক্:হন্বা পুকৃমুং লিম্ম ডাম্মোহৈবা পুরুষ রতন অথোইবা পাঙ্গল নপা অভাঙ্বা-ও, লৈপাক করম্বা নিংথৌ নমামবা কনানা লাক্গা থুত্নুম্ চন্ কোংয়াং উরোংশং মালেম লৈরি মুংনা ওমথৈ কানা ডান্শিন্লকপগীনো ? নিংথৌ শকথোং মাঙ্না চিন্বান য়ারিকং, য়ারা থোক্লেল থোক্লা কপ্ নিংথৌ চিন্তা মাঙ্ওইনা নশানৌ ঐঙী ইকমদা নিংথৌ সনা থোংলেংবিরকপবু য়ারম করি লৈবঙীনো ? য়াথং পাওতাজনিংববু লাইজা ঈথৌরাংগুম্লে হায়না পাওহংলবদা পাওথুম-

খিএ—হে শানৌ পদ্মাবতী মহারাণীও, লৈপাক কয়দা নিংথৌ ইমায়বা কনানশুং লাকৃচা লৈতে। চৌংঙু নোংদম থোনবু কয়দনো থঙদে। নিংথৌ কোলোই ইশংগাইদা ব্রাহ্মণ অহল্ মরোইরবা লথোই লাইবু নিংবা অমনা মাধুকুরি ভিক্ষা ভয়া চাকনিরয়ে। চানিং ইনিং থুংহল্লো হায়এ। নিংথৌ ঐনা চানিং ননিং থুংহনগে হায়রবদা লথোই লাইবু নিংবনা নিংথৌ সত্য রাশকও হায়না রাহুম-থোনৃগী নিংথৌ, শরি মথৈক্কং নামুং পম্মোম্ লোমও, শ্রীকৃষ্ণ সনা মথোং পয়া সত্য রাশক্লবদা ইপারি লৈরাং অঙোনব বৃষকেতু কৌববু হায়রক্এ হায়ন পাওদমুববু না ভারবগী পদ্মাবতী মহারাণীনা য়াইবী কল্‌হৌনিক্লা ভিল্লাং মথোই শাওনা মিপাই কোক্‌রিকা, ভক্লৌ শিভং শোয়া পাওমেল্লকএ—হে স্বামি কোরৌ ইনোংথৌ কর্ণ নিংথৌরেন-ও, নিংথৌ কোলোই নয়াথংবু ইবুংঙো করি য়ানো? য়ারম অসিগুম্ববু নশানৌ ঐগী চক্র নাকোং থোংজাওরেম্দা অময়ক-হয়া ভাহনবিগনো। নিংথৌ সনা নথোংথানা ভাকপিয়ো হায়না য়াকংলবদা কর্ণ নিংথৌনা বাহয়কএ—হে পদ্মাবতী লৈপাক্কী মবেম্মা নিংথৌ ঐবু সত্য রাশকশিন্‌খরে। হৌজিক বৃষকেতু ইচাবু বামন মতোন্দা পীজরোই হায়রবদি ব্রাহ্মন মীচৈ ভমথিবনা কর্ণ নিংথৌ ঐগা পদ্মাবতী নংগা বৃষকেতু ইচাগা ঐথোয় অহম্মক্লা মাঙ্‌বদি লাইরিএ, লৈপাকপ্রজা পুম্না মাংলবেনে। চয়েং ভাইবং ইচাতোন্ নমু ইমু তোয়া থাইনা কর্ণ নিংথৌ কৌবা মহাকথক্কো নিংথৌ রাশক শোইবগী ব্রাহ্মণ মুনি মীচৈথোয়া প্রজা লৈপাক মুংনা মাঙ্এ হায়এ হায়বা য়ারি অচৌবা কোলোই মিংচং কত্তববু লৈহৌরবেনে। হে পদ্মাবতী মহারাণীও, নংনা নিংথৌ ঐগী সত্য রাশক অরুববু কাই-

হনগনো। ইপারি নাওয়া অপিশকপু মাইকৈ লমদম কৈদা চৎখিবনো হায়না পাওমেনখোনগী পদ্মাবতী মহারাণীনা নিংখৌ পুক্রিং অয়েম্নবু উরবগী মীপাই থরকতৌ মিরেন নোংদা কানা য়াথং হিকৃহায়ননা পাওথুমকএ। হে খংলেন স্বামী কোয়ৌ ইনোংখৌও ইপারি নাওয়া অথুবদি থাংগ' ইনৈকোক্ নৈকাই ইপানশাংগী মত্তাও মমায়বশিংগা নৈকাই যুমথোং লায়া কাংকৈ হুংতং পায়না শায়খিববু মাক্লে হায়না পাওমেন্নবৈত্তদা চৌংত্ত লেংতেনংকৃপা খোইরম মায়া শায়োল য়াম্বনা য়াথং লেংম্লে ত'ঙিনতকপগুম্ পাওমেন্নকএ। হা কর্ণ নিংখৌও, লখোই ঐবু চানিং ঈখৌ লাংগুববু থাংওমত্রে, কোলোই নয়াখংবু খিন্নগনো হায়না পাওমেক্লক্লবগী কর্ণ নিংখৌরেন্দি লখোই সনা মখোং থাদা কাওবি'চগালুক্না পাওমেক্ল'খিএ—হে লখোই লাইবুনিংবা ঠাকুরজি ব্রাহ্মণ অখোইবা-ও, চেংলৌ মিকুপ মা হাংলেন্ দণ্ড পুংজা মথাইমক্লমদা লখোই উনবী পুক্লিং তপথবিও। নবাই পারি নাওয়া অপিশ বৃষকেতু কোববু নৈকাই তোম্কাং কেন্ তুরেন থাম্ব লান্না পাখৌ মমায়বশিংগা কাংকৈ হুমতং পাশায়খিএ। নিংখৌ ঐবু ইপারিগী মাব খোংগুন্ লৌনা খিক্লথিগে হায়না পুক্লম্লবগা কর্ণ নিংখৌরেম্মা মপার খোঙ্গুল্ লি, হার মিংলেন্ শোন্, খুদাং পিকম তৈ, দুঃখ অয়াববু শম্ম কোক্তা খোংনা মপারি বৃষকেতু কোলোয় মমিং কায়া চৎখোক্লকএ হায়দত্রা?

কর্ণ নিংখোরেম্মা থাংতা নৈকাই যুহুম থীনা নৈরক কোনশাং কোঈনা মপারিবু কপ্প কপ্পা পাওমেক্লকএ হা পারি ইবুংঙো বৃষকেতু কোবা-ও, নংবু লা-ও হায়না পাওকোববু মপারি কৃষ্ণ ভক্তি অচেৎপনা নাজারবগী বৃষকেতু খোইরম লাইপোক শংশংবনা য়াহম্নকএ। হে

পাথৌ লেংমাম্নবশিংও, নাওরা ঐবু পম্হৌ ইপা নিংথৌনা পাওংকৌরিএ। অমৃত তাওজিং হৈরাংচানবু চারো হায়ত্রা', করি বত্ত অহাওববু চাও হায়রম্নবাদি নাওরা ইভোম্ চারোইএ। চবৈক্মিনা মোম্না পুম্নকে। পাথৌ ঐথোয় পুম্নমকপু চামম্নসে। পাথৌ নংথোইস্নং শামা থুংকম্ হোংনম্‌ভনো। নাওরা ঐস্নং ইরান ভম্না ওস্তেরকে ইচিন্‌ ভলনা হন্‌রাইরকে হাঙ্গনা পাওমেন্‌লম্রবগা নাওরা মমাই ওম্না চংথোক্লকপবু অভাং য়ায় ভুজুং, চেংলৌ ম'মং চিং, বাহু পাম্হোম চোংনা সাক্ষি থুংভম্ অরুববু কাওররবগী অময়ক থিংলৌনিংনা ভেনা মপাভাও মমাম্নবশিংদা অনৌবা পাওমেম্নকএ। হে পাথৌ লেংমাম্নবথোহঁ, নাওরা ঐবু য়াবা ইতুচুং, চেংলৌ ইামংচিং, বাহু থায়াং ইস্তান্ পোম্ব চোংএ। শমু ঐগী হকচাং অসিবু ভলোইভলোইএ, মভৌ পাম্ডম অমদি বা'দি ভুবি থে'ইহোলা লাইরেন পাংম্না কোল্‌থন্‌লা থম্না লাকোহঁ লুলোইথক্তা লাইজ ঈশিং ভুংববু মপন শম্হোং মলিক্ লালাবগী মমোমলোল্ নোংবান্ য়াইরৈমা, কাংকোন ভোনলা মলন্ উন্, মাম্নং অম্নাংব থম্‌কোন্ লিরি হুমদা পুকম্নং লাথোক্‌নদি পিক্‌পগী লাভোম্নদি পাকপগী মাঞ্জ লেম্নোঈনবদা লাইজা ঈনা নিকপভুম্ নাওরা শমু ইহক্‌শাংবু ভ'নক্ ভনিকএ। সাক্ষি থুদম্ অরুববু কাওররে। পাথৌ লেংমাম্নবথোহঁ নাওরা ঐবু অমন্ থম্নেকুম্ থমৃম্নং শবা ভান্‌গত্রা থংদে। নাওরা ঐনা অমন্ থম্নেকুম্ অকেম্ চাক্‌মোম্ লাংগা ওইখিবৰু থোক্লবদি পাথৌ নংথোই পুম্নমক্না নাওরা ঐবু শাম্না কুম্নৈ মুংঙাইববু হরাও মভোল্ লোমদে হাম্না মুংথোল্ বা'রৌবিগনো। ইভাওথোহঁ মপোক লাংভোল্ অময়কপু থাভা ইরৈকাইদা পোকমিম্নসে, লৈকাই ইবান্‌শাংদা

শাংমিন্নসে। পাখৌ ঐখোয় পুন্নমকপু মরূপ লেংনা তিন্নসে হায়না পাখৌ মমান্নবা পুন্নমকপু নমু মাশিং মতোল্ লোয়া পায়না কোম্ন-রম্নবগা অতেল্ খোংলৈ য়াঙ্না চেন্নক্লবগা মপন্ নিংখৌমাচ্দা হন্নাও মখোই তোংনা পাওহংজনকএ। হে পশ্চৌ নিংখৌরেনও নপারি নাওন্না ঐবু পাওকৌবদি করি বস্তু অহাওববু চারো হায়বনো, ন্নাবম করি লৈবনো হায়না পাওহংববু মপন্ কর্ণ নিংখৌদি মপারিগী চেংলৌ শকোই চিংনা য়েং, নাওন্না কোলোই মপাও তানা মতৌ করম্নবু লৈতরে। পারি মুংশি মৈবু চানা লাংকংই অকংব, লম্দা থাম্বি মৈহম্ চাওনা চুপ্তন্নে। থমোই মৈচাক খোইরবগী মপারি কোলোই মপাও হংববু হুংওদ পাওখুম্ ডমদনা মপারিবু লোক্লোশানা কোন্ থজাই লেংলোই চুপ্ন শমু নম্দা পোনা মরান্ মুমদা চংলক্লে হায়দব্রা ?

পলেম মমা পোকমাবী পদ্মাবতী মহারাণীগী চেংলৌ মশক উন্নবদা মতৌ কম্নু লৈতনা পাওমেনঙমদরে। হে পারি ইবুংঙো অচাও লেপ-তম্দরিবা ও, নশাবি ডরেংমকস্নং খোইয়ম লাইগী থুমা তানখরে। চীংখং খোম্মোন্ অঙনুদ অঙনুবা নথক্ লৈতরে। পারি হুইম্নাই লিকলু অথেকুত থেক্না নথা তাতরে। তেন্নাঙম উ তোম্পোক্লুবা পারি লাংবন কৌথা মনা তোম্পোক্লুথা ইমাগী নোংপোক চাকুম্ন থেনকুদা মিংশেল চেংলৌ শকোই লকপগুম্ ইচাগী চেংলৌ ক্লেংমা পেজ্জরিবনে। পারি চেংলৌ শকহেনবা, পুকমুং লিন্না তাহোই-রিবা-ও, পলেম নমা ঐনা পারি নংবু লৈএ হায়না উনবী পুক্লিং হন্নাওজবদি শিংলেন্ অয়েম্বা লৈরাং অভিংতানে। পারি ইবুংঙো আমু পুন্‌শি মতাং তেন্‌দবা-ও, পারি নংবু লা-ও। নপন্ পলেম্

নমা ঐনা খিক্লেন্ মাইয়োক্‌মিন্নখিসে। চিন্‌সনা থম্মাল মাইয়োক্ চুপচোরগে। ইচাগী চেংলৌ শকপাম্মোং নিংখিবা হয়েং কোয়ৌ মখৈবু পারি চেংলৌ নিংখিববু নপন ঐনা উরবোইএ। হে চৌংভু বিধি নোংদম্বা খোইরম বিধাতা রায়েনবা চৌংভু নখোবু মোম্ চৌংভু ইরাইবক্‌পু পারি নাক্ত থাগনে ইমোম্ মিত্ত উগনো হায়না চৌংভু কোলোম্ নখুংতুনা করম ইকম্মবানো হায়না খিক্লেন থাগ বৈ, খোংকম মালেমদা খিন্ন পন্থৌ শম্মু নঙলথক্তুগী মপারিবু লোক্লোশানা কোম্না পম্‌থরবগা কৈক্রা ভান্দ থোংনা মপারি চেংলৌ চিংনা য়েং, ভক্লৌ শিঙংশোল্, ঈচাও ঈলি ওংনা উথম্‌পি চেনাক্ল হুমাং ঈরা চৌ, ঈপাই কোকরিকা মিরেন্ থাগ য়ৈ, ভুমি মালেম লৈমা হথক্লা হাইহং লৈমাই ভুনা রাম্ব খিববু থংচৌগরে হায়দত্রা ?

মপারি বৃষকেতু নাম্না অথুবনা রাইম্মক্‌এ। হে পন্থৌ মিংথৌ-রেনও, ঙসি লাইরেন কোয়ৌ স্নামিত্তবু নপারি চেংলৌ শকউরবগা পম্থৌ ইপা নিংথৌম্নুং প্রেম্ থক্‌মা ভামে। পলেম্ ইমাম্নুং লৈমা মত্তিক নত্তা সিজা মপা নত্তনা মালেম লৈমাই থক্ত হাহহং লৈমাই ভুনা রাম্বরিবা অসিবু পন্থৌ করি রাগীনো। কোলোই অশেংবা রাথং অরেম্নবু পাওতাকপিও হায়না পাওহংলক্লবদা কর্ণ নিংথৌরেন্দ মপারিগী চেংলৌ চিংনা য়েং মপি ঈরা চেম্না লম্বোই কোলোই ময়াথংবু রারম পরেং শিংনা মপারি নাওয়া অপিশক্‌তা পাও-তাকখিএ।

হে পারি ইবুংঙো ইপারি পাইমা খোইজংবা তিল্লাং খোইদা-বা-ও ইপন্ কোলোই পাওতাকে। উনবী পুক্লং পেম্না না তাও। অসি কোয়ৌ স্নুমিত্তা নপন নিংথৌ ঐগী কোলোই শজাইলেন্দা

ব্রাহ্মণ লাখোই লাইনিংবা অমনা ভিক্ষা তরা চাকনিরৈএ। চানিং ইনিং থুংহল্লো হায়রবদা নপন ঐনা হে লখোইবা লাইবু নিংবা-ও চানিং অপাম থম্ব হায়রবিও হায়না বাচম্লবদা, নিংথৌ সত্য বাশকও হায়না বাচম্‌খোনগী নপন ঐনা সত্য বাশক্লবদা, পারি ইবুংঙো বৃষকেতু নংবু হায়রকএ। বারম অসিগীদমক পলেম নমা পোকমা-বিনা বাম্বিরবা অসিনে হায়না পাওক্লবদা, মপারি বৃষকেতু ভক্ত অচেৎপা পুক্নিং নিংথিরদি মপন্ কোলোয় মপাও তানা হরাও মথৈ লৈতনা নাওর পাখোম্ অপিশক্না থম্বৌ লায়োল্ চেংগুম্না মালেম লৈমাংথক্তা পলেম রাম্বরবু ওকথী-সুম্নাং কোয়না হৌগৎচৈএ হায়দবরা।

নাওর থুংসনা থুংথম্বান অপিশক্না মথুং যুম তৌনা পাওমেন্-লকএ। হে পলেম ইবেম্মা পলেম কদোওগীদমকপু চেংলৌ মিংপোম্না মীকপ্নেনা। নপারি ঐগী শম্ ইহকচাং পামেল্ উমু চাকথেক-খাকুম পুকনুং চংবী লক্ মতুপ-তাকুম্লববু পোনবী কাক্ চেক্‌হিংচা লাংজা মীশা চাবনা পোনবী শাশেং ডাশেংতম্ চারবগা পোনবী মরুথাক্তু শর লুমথাংথৌ অরেম্বনা তানবী লুনাইদবা হন্নাচা মালেম লৈথাং চানা শিংলেন অরেম্বা লৈরাং অভিংডাদা লেম্না মাংগদবা ইহকচাং অসিবু কংক ব্রাহ্মণ অখোইবনা চাবিগে হায়বা অসিবু বারম অখোইবা কংগমদবা বানে, বৃষকেতু ঐগা পানা য়াইফববু অণ্ডান্ তাইবং নোংশাপাল্লা তাইবং কনা য়াওরোইএ। নপারি ঐবু পোকমনগী পলেম পম্বৌ অনিস্নুং য়াইফরে। তৌইশুম্ পম্বৌ সেবা মতোল লোম্লমদবত্তম নপারিবু মুংওল্ বারোবিগনো হায়না কর্ণ দাতা মপা নিংথৌবু অরেৎলক কোঙ্গরবগা দত্তবং মালেম লৈপা

পক্কা মপন্ খোংবৌ নৈথৈ পাঙ্গনা হম্মা হম্মা পুরুমজরবগা, পলেম মমা পদ্মাবতী পাটেশ্বরী মহারাণীদা কোলোই অমেংবা য়াখং নিংখিবনা বচন্ অথুম্বনা পাওমেন্নকএ। হে পলেম ইমা-ও নপারি ঐবু লোইদাম থাবুম ভরা কৌবা য়ুমিং শিংবুম চহম্বিবু খোইজিথাদা মিহনুতম্ নাক্কৌ ফিয়ান খোইববু অবা হুইবাং শোল্না য়াইবী হুইয়াইলোম্, হুমাং নৈরিক্ কা, মালং অচিক্ খেম্ চেংলৌ শক্পান্ খোংবু থুয়া পেতুশাং, ম্লংনাং চায়া লোই, হয়িং পেংলোই থীনা চাক্ওইনা, মালেম চৌংলৈপাক্ ওইনম্বু ভরা চাক্ওহন', নাওপুবিয়কএ। অহুম্ম মভোমদে। অঙান ভাইবং মালংপান্দা পোকপিরবগা অঙাং ঐবু অগাও লেপকাদরিবগী শাংবা লেপ্তুম্ দরিবা হায়বগীবু খোম্ভা চিম্লি নাওহাম্, ভরা চাক্পুম শাই, লেম্রে অভোং শিংনা, চরৈ নাহোংশা মান্লৌ থুপ্কিনা খিক্লেন্ থাদা পম্ শমু নমদা পোনা নাওয়োক্লকপবু নপারি ঐনা পলেম খৌরৈ ভেংপাংদা চেংচাঙমলুদা পোক্চমন্গী পাঙ্গল ইহৈ চাগৌদে পলেম সেবা মভোল্ লোম্রমদরে। পলেম উনবি পুক্কিং য়ারৌবিগনো হায়না পলেম জরেংলক হম্মা কোয়রবগা দগুংৎ মালেম নৈদা পক্কা পলেম নৈথৈ পাঙ্গনা হম্মা হম্মা পুরুমজরবদ', পলেম মমা পোকমাবি পদ্মাবতী মহারাণীদি মপারি নাওরা কালোই পাওগা ভানা মভৌ কম্বু নৈজরে। মপারিগী চিন্সনা থম্বাল মাইয়োক্ চুপ্পা পাওমেনখিএ।

হে পারি নাওরা অথুবা-ও, পলেম ইমানা চরৈ কিনা থুম্, থাংলা নাওয়োম্মা খোংনাং ক্ষেলুবাক্তা করম থুপ্পা থক্ষদবনো কল্লকএ হায়না মগারিবু শম্লাং ভোন্গা নান্লোক্কৌ শানা কোন্, শিনৌ কুয়াং শিংনা থজাই লেংরোল্ চুপ্পা মীকপ্নবগী মপারি নাওরা

অশিশক্লা পাওমেন্লকএ—হে পলেম ইবেম্মা-ও, তাইবং পানবী মীক্সা কওমদবা রানে। নপারি ঐনা চৌংগু লাইবক কথোইবগী কংজবনে। পলেম অন্না হৃইনাং শোক্সগনো হায়না নাওন্না মখুৎ অশিশক্লা মপাম্ হেকতাক্ চাওন্না মীকপ্পবু পলেম পিকমতৈনা :থৌথাম্ভ্ববগা, মপান নিংথৌ কর্ণ য়েংনা পাওমেল্লকএ। হে পন্থৌ নিংথৌরেনও, নপারি ঐবু ব্রাহ্মণ সনা মথোং থাদা থুনা কৎপিও হে পন্থৌ নিংথৌরেনও কন্নিগী নিংথৌ ম্নাইক নপাউ তাম্বনো। লম্বোই পুক্লিং অপাম্ববু থুনা থুংহনবিও হায়না পাওমেল্লক্লবদা, কর্ণ নিংথৌরেন্দি মপারিগী কোলোই মপাও তানা মুংতোল্ থোইথৈদা অক্লৌ শিতং শোল্না পাম্মি ইবুংভো কৃষ্ণ ভক্তি অরেপ্প-ও, নপন্ ঐবু করম তৌসিবনো হায়না মপাম্মি মাংদা থানা লম্বোই সনা মথোং থাদা চংলক্লে হায়নবনা?

বৃষকেতু থোইম্নম ল'ইবু নিংবদি চৌংজ্ শাইরোল্ য়াম্বা লম্বোই লাইবু নি'বগী থোইম্নম মমাংশংবা থুক থুদক শন্শা নৈদা কুম্না মখুৎ জুর তৌনা পাওমেন্জখিএ। হে ঠাকুর্জী কঙ্ক ব্রাহ্মণ অথোইবা বেদ পুরাণ লাইরিক সাধন ৪ তন্বা দয়া থৌজাল হৈবা নিংজবদা কাউদবা হায়রবদা শোয়দবা কৃষ্ণ ভক্তি অরেপ্পা লম্বোই লাইবু নিংবা-ও লম্বোই পুক্লিং অপাম্ব বৃষকেতু কৌবা ননাই পাপী-লেন্ ঐবু লাক্লে হায়না বাকৎলবদা লম্বোই পুক্লিং হন্নাও থোইরে হায়দবন্না। বৃষকেতু নাওন্না অশিশক্লা বাহম্খিএ। হে লম্বোই লাইবু নিংবা ইবুংভো ভাবিও। ননাই নাওন্না ঐবু ইপাতাও ইমাম্নবশিংগা কাংজৈ হুম্দংপা শাম্নকবগী শমু ইহকশাংবু মালেম মৈকিকুচোং উম্নুন্ তোংশা পকপবু শেংতোক্চকখিগে হায়না

য়াহয়বদা চৌংউ ওস্তেল্ হকপা লখোই লাইবু নিংবনা খোইরুম্ মোমোন্ নোক্না পাওমেনখিএ। হে বৃষকেতুও খিল্লগনো নাওবা চেংলৌ শক উরবগা চানিং ঈখোলাংববু থাংভমদরে হায়না য়াহয়-খোনগী বৃষকেতু খোইয়ম লাই অচেৎপনা ননাই নাওবা ঐবু খিল্লরোইএ হায়না পুক্নুম্বগা মপন হিদেন চংলৈ মকুল্লম্ মুরা চেংথৌ পুষ্পালম্দা উতি শমখো' তেংখোক্লে। খুথা নান্বী য়াশম্জেং তুনান্ খোইনা হাংতোক্লে। নম্শা চন্দন খিনববু চন্দন মাইখোং লৈতেংহেন্ শমু মহকশা' পুম্নমকপু লাংচন্দন আগর চন্দন গোপীচন্দন, গঙ্গা মৃত্তিকা কস্তুর কুঙ্কুম, গর চন্দন বেণু চন্দনশিংনা চন্দন মশিং শুনা চাইরবগা খোয়াং মতমতম্ পোৎলোই মশিংতু পন্থৌ পলেম কর্ণ পদ্মাবতী মপারিগী আভরন লৈতেং পোৎ থৈ-বিকপু উপু চাজুম্ সুংনগী পুখোকলবগা বৃষকেতু নাওবা নিংথিবদি পুক্নুংফিগে ফৈজোম নিংথিবদি থাংচেৎনা লমথাং খুল্লক ফৈনা য়েৎ সনা কুণ্ডল মনাদা শিং তাগী নিংথৌ শাবনা চুম্লেন মরাং হৌনা নাপা মতাল্ নাই চোইনৌ সনা লিক নিংথিবা থবাক ভাংগোই হেল সনা কিয়াং লিকৃফাং শি, সনা পু খোংছম্ শাববু থবাক লিকয়াল্ খোইদা শিজল্লে। শিংলেন যাতি পুষ্প লৈরাং পরেং ভাংগোইদা হক্, শিংলেন তুলসি লৈহুংশিবু লৈরাং পরেং ভাংগোইদা শিজল্লে। নাওবা থুৎসনা অপিশক্না মালা লিকচৎ খোইরে। চিম্বান খোংদা হরি হরি কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোম্না যাত্রা খোংশানখোরকপবু সুমিং কোটি খোকপগুম ভাম্থোইরে। লোইদাম অনিনুবা থাগুম পুংয়ান মমাই চোম্না করে হায়দত্রা ?

কর্ণ, পদ্মাবতী মপারিগী চেংলৌ চিংনা য়েংনা মতৌ করম্

লৈত্তরে। মপারিবু লোক্লৌ শানা কোন্ চিন্সনা থম্বাল মাইয়োক্ চুম্বা শম্লাং ত্তোন্গা নান্ শিন্নৌ কুরাং শিং থিক্লেন্ থাগা যৈ খোংফম্ মালেম লৈদা থিন্ মীকপ হুংকং ভুমদনা মীকপ্ থিএ হায়দবরা। মপন কর্ণ নিংথৌরেনগী কোলোই শঙ্গাইরেনগী নমু মীয়াম ত্তিন্বা পুম্নমক্সুং নাওবা চেংলৌ মশক য়েংনা স্নুংশি পুকথোং কায়রবগী মীকপ্ খোন্মান্না স্নুংশি ত্তেলান্নবনা কাপশাংশোই ঈরাওখোন্ খিংত্তেন্ লাইক্তা ঈনম্ থাইগুম্ কোলোই শংগাই মনিন্নাই মীকপ্লবগী বৃষকেতু নাওবা অথুবনা শমু মাইওল্ মথুং জুর ত্তৌনা পাওমেজ্জরকএ।

হে পন্থৌ পালেম অনিমক্ও, নমু মীয়াম ত্তিনবা ভক্ত সত্তা লেংনা ত্তিনবাশিংও কদৌবগী মীকপ্খোনমান্নবনো। অত্তান্ ত্তাইবং মালংপান্দি হরি কৈথেন কাবনে হরি কৈথেনগী ত্তরেং শেন্দোং কৌবদি হরি হরি কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোঞ্জববু ত্তারেং শেন্দোং কৌএ। ত্তাইবং অকোন্ অহাত্তনে। মত্তৌ অসিগুম্ববু মাংলমদস্মুং ত্তারি-রোইএ, ত্তুংলমদস্মুং ফংত্তম্রোইএ। নাওবা চৌংভু ইরাইবকপু ফথোইবগী ফংজরবনে। নাওবা ঐগীদমকপু মীকপ্রিবনো ত্তোক্লো ত্তোক্লো হাঙ্গৈনা থৌথান্নবগা পান্থৌ পলেম ত্তুংদা ইন্ মপারি মাংদা চংনা লম্বোই সনা মথোং থাদা রাশকচথিএ। হে লম্বোই লাইবু নিংবা মাইবী থব্বাই শেংথোইবা মাথং রাপৈ হৈত্তবা-ও ননাই ঐবু লাক্লে উনবী পুক্লিং থুংবিরো হাঙ্গৈনা রাকংলবদা চৌংভু শাইরোল্ মাম্বা লম্বোই লাইনিংবনা পাওমেজ্জকএ। হে কর্ণ নিংথৌও অসাই মাংদা হাঙ্গৈথিবা রারম পুম্নকপু রাত্তম থৌদোন্ লোম্লো হাঙ্গৈনা পাওমেজ্জ-বগী কর্ণ নিংথৌ পদ্মাবতী অনিমক্না কোরাটি কৌবা হোরাইবু কর্ণ

হোয়রাই মকোক পায় পদ্মাবতী হোয়রাই মথৈ পায় মপারি য়াম্বা থম্মা থাইগুম্লবু কর্ণ নিংথৌ পদ্মাবতী অনিমক্না মপারি চেংদৌ মখক য়েংনা হোয়রাই কোক্তা থাঙমদনা মীকপ্পবগী চৌংত্তু শাইয়োল য়াম্বা পাওমেল্লকএ। হে কর্ণ নিংথৌরেনও তাংক্লো তোক্লো কপ্পা পীজবা পোত্তি চায়রোইএ। চানা-তৌনদে লম্বোই ঐবু চংলগে হাঙৈনা যা ওইরক্কবগী কর্ণ নিংথৌরেম্মা য়াংহমখিএ। হে লম্বোই লাইবু নিংবা-ও কর্ণ ঐবু কপ্পরোইএ হায়না মপারিগী লম্বাই কোইরেনথক্তা হোয়রাই য়ানা কংগে তৌগুম্লববু পারি মুংশি মৈবু হোয়রাই য়াতোন্ তাঙমল্লবগী মপারি কৃষ্ণ ভক্তি অচেৎপনা নাওবা মত্তিক অচৌবা অতাং মপা নত্তনা থোইয়ম্ লাইবু নিংবা বৃষকেতু নাওবা অথুবনা পাওমেল্লকএ।

হে পম্বৌ নিংথৌরেনও ব্রাহ্মন পুক্লিং য়ারোৌথিবনা হায়রৈনে। নপারি ঐবু মুংশি পুক্লিং চংলগনো হাঙৈনা নাওবা মথুং অপিশক অনিমক্না হোয়রাই কোকা চিং কোয়রাটি নিংনা হন্না চিংলবু নাওবা মথুং জুর তৌ, মুখ চিম্বান্ থোংদা হরি কোলোই শোয়া তজন লাইনিং কায়বিদে হাঙৈদবরা। কোয়রাটি কোবা হোয়রাইবু হোয়রাই মথৈ মাং লাইবক থেম্বাই থায়, পিগুম্ পাকোই লেন্, নাপা নাক্কম্ নাত্তোন তংথাই থৌরি; চাক্রম্ ইম্মা লৈতোন্ লৈয়েং থাম্মবু হরি শোনুবা চৈয়েল্লে। কৃষ্ণ শোনবা পোত্থাদনা বৃষকেতু শমু মহকশাংবু তাঙ-ক্লিং থবী হৈত্তং থায়গুম্ নাক্পাক্ তংথায় তারবু, লম্বোই লাইবু নিংবনা য়াহম্লকএ। হে কর্ণ নিংথৌও নপারিগী তাংবা মুক্লেন্-থোন্দো তাওক্লিং হৈত্তং মানুগুম্ মকোক অয়োন্ তৌও। মপা চোম্বা থোংও। লম্বোই ঐবু শমু হকচাং শেংলুক্লিগে হাঙৈনা

চৎখোকখিরিবৈদো', মপারিশী তাংজা লুরেন্‌তোন্দি পদ্মাবতী মমানা লোয়া পুক্কু উহৌদবে হায়দত্রা' ?

পলেম মমা পোকমাবী মপারিশী তাংজা লুরেন্ তোনবু কৈরা তাম্বা খোংনা মাকপথিএ। হে পারি ইবুংঙো চোংলৌ শকহেনবা পুক্নিং লিয়া ভানবা-ও, পলেম ইমাগা অসি কোরৌ মুমিৎ মথৈবু লৈরাই খোইচোম্বা খোইরী তৎপশুম তৎনরবনে। নিংথৌ মপু খিবনা ওইখিবা তুরেন রাইখুবিচা রাখুৎ লোংবী রাইখু মথা কক-পশুম্ পলেম ইমাগা করম কক্করবনো কল্লকএ। হে পারি ইবুংঙো, থম্মোং পাংখি হক শরা কোন্‌থাং য়াম্ কাওখং মরিন্ য়াম্ খোংলেন্ পাম্বে হকএ। পারি নত্তোম চৎভস্রোইএ পলেম ইমাবুস্কুং লৌররো। পলেম ইমানা পারি নংবু শমু নমদা পোনা পলেম ইমাগা থম্মোং অৰী চিং শরা মত্তাম্বু ইস্তানুমিয়সে পারি ইবুংঙো মুংশিখোইবা ও থম্মোং য়াংজৌ লম্বথাংগী হুনরাইরকও হাঈনা চৈরে ফিনা খুম্ কাংলা নাও-য়োম্বা খোংনাং খেরুবাক্তা থমজিনখিরে হায়দত্রা ?

অশাইবৈগী চৌংঙ্ শাইরোল্ রাষ্ঠ্রস্থং আসন মকয়েন্বা হজিল্লরে। কর্ণ নিংথৌরেন্দি মপারি শমু মহাকশাংবু শরেন্ থাংজিগুম্বা চক্কু ফিন্‌লাং শৌ রানলেন্ লাবা খোইদৌ ওৎনা পুক্নিং রাঙ্ঘোং লোইচিন্‌না কক ব্রাহ্মণ অথোইবা-ও পুক্নিং রাঙ্ঘোং লোইজরে হাঈনা রাকল্লবদা চৌংঙ্ মিংয়েং শানথৈরকপবু নাওরা মকোক লোংখিববু চোংলৌ' মিংখিংলবশী, হে কর্ণ নিংথৌও, নপারিশী শমু মকোক য়াওদরে। থুনা মকোক্ অঙোন্ তোও হাঈনা পাওমেক্ক-বদা কর্ণ নিংথৌরেন্দি উনবি পুক্নিং ভক্তা মহারাণী কোলোই মশাং-পাইরা চল্লরে। হে পদ্মাবতীও, পারি তাংজা লুরেন্‌তোনবু

লোংলবরা ? লম্বোইবনা চেংদৌ মিংখিংলক্লে, পুখোক্লো হাঊনা পাওমেল্লবদ', পদ্মাবতী পলেম মমা পোকমাবীদি মতৌ করম্ব লৈজরে। মতৌ অমদি চীংগু নোংখোং ক্ষুম্বনা চুবদ' তরা লৌচিল্ পোং পুত্তম্ থাংত্তমদবা মথক্ত' লাংবন উম্বং শীংকংত্তপবু তোপ হৌবগুম্নে। হে পারি ইবুংঙো, শমু নংগী লূরেন্ তোন্দ পলেম ইমানা লোংচবস্থং ম্নাদরে, পারি চংলো। ইবুংঙো পলেম ঈমাবু লৌররো হায়না টাবু লূবাকম্নংদগী পুখোক্লক্লবদা কর্ণ নিংথৌরেন্দি মপারিগী তাংজ লূরেন-তোনবু শারৌ য়েল্ফুংত্তম মকোক্ অম্বোন লোইরবদা কর্ণ নিংথৌ-রেম্না লম্বোই সনা মখোংথাদা রাকংচখিএ। হে লম্বোই লাইবু নিংবা ও ইপারিগী মকোক অম্বোল লোইরে হাঈন' পাও তাক্লবদা, লম্বোই পুক্লিং হরাও থোইন' পাওমেনখিএ।

হে কর্ণ নিংথৌও তরা লুকক্ম্ ম'রি শুনা থারো হায়না পাও-মেল্লকএ। কর্ণ নিংথৌরেম্না লুক্কম্ মরি শুনা শিল্লবদা, হে ব্রাহ্মণ অথোইবা ননাই চাকশিলবা লোইরে চাবিররো হায়না রাকংচরবদা, চীংগু শাইম্নোল্ ম্নাম্বনা পাওমেল্লকএ। হে কর্ণ নিংথৌও, থারিবা লুক্কম্ মরিমক্তো লম্বোই ইত্তোম চারোইএ। কর্ণ নিংথৌ নংগা পদ্মাবতী মহারাণীগ অঙাং নাওরা অথুবা অমগা ঐথোই মরি চাগ-দবনে। নাওরা অত্তবু লাক্তরিএ। নিংথৌ নংবু থরাই লৈপন্ থক্তা পাওকৌরুও হায়না পাওমেল্লক্লবদা, কর্ণ নিংথৌরেম্না পাওহং-খিএ। হে লম্বোই লাইবু নিংবা-ও কোলোই মমিং থোংম্ভু থংদা, চেংলৌ মশকম্ভ উদনা নাওরা করম্ববু পাওকৌরু হায়রবনো হায়না পাওহংববু, চীংগু শিদবনা রাহমখিএ। হে কর্ণ নিংথৌও অসাইত্তেদা নংনা পাওকৌবদো অত্তগুম্বা বৃষকেতু কোলোই কান্না পাওকৌরুও,

থিন্নগনো। তর' খুৎপুল্ হকুময়শে হায়না পাওমেনখোনগী লম্বোই সনা য়াথংবু কোয়ৌ নোংদা কাকদা, মালেম লৈদা তাকদবগী কর্ণ নিংথৌরেন্দি থুদাং পিকম তৈ, প্রেম লাইজা ঈরুপ্পা, হে পারি ইবুংঙো শমু নহকচাংদি লৈতরে, নপন ঐনা কোংলোই নমিংথোং নিংথিববু করম কান্‌শিবনো। তৌইগুম্ লম্বোই চিল্‌লেল্ ময়াথংবু হিকতোক-কদবগী লমজাও মীকৌ তম্না হা বৃষকেতু হায়না পাওকৌববু, মপারিনা না তারবগী মপন্ নিংথৌ, মাংদা লৈকাই (য়ুম্নকী) য়ুম্নক্কগী চেম্বোক্লক-পবু কর্ণ নিংথৌরেন্দি য়ুনবি পুক্লিং ভক্না মপারিবু লোক্লৌ শানা কোন্ থজাই লেংওন্ চুপ্পা মপারিবু পাওহংথিএ। পারি ইবুংঙো নপন ঐনা কোবাটি কৌবা হরাইহনা নাওরা নকোক্ থায় অঙাং নমৈ তুপ নাক্‌পাক্ ভংথাই তা, শরেল্ থাংজি য়ালন' পুক্নুং য়াল্‌থোং লোই-রম্নবনে। নপন্ ঐবু থোম্লেন মংলাং চারা, তাইবং মালেং পান্না নপন ঐবু থংডমদরে। ইবুংঙো নংবু মাইকৈ লমদম কদাই চৎলু-বনো হাঙ্গনা পাওহংববু, মপারিনা পাওথুম্নকএ। হে ইপন নিংথৌ-রেনও নপারি ঐবু য়েন্নামাংগী মথৈবু ইপাতাও ইমান্নবশিংগা কুম্মে লুংঙাইববু শান্না থুকম্ হোংদনা শান্নকইএ হাঙ্গনা পাওথুহবু না তার-বগী কর্ণ নিংথৌরেম্না পায়মা উন্‌কোইক্লুংদা নিংথলথিএ। নিংথৌ মোংবা হৈরানম্নাইদা ভিক্ষা তরা চাকনিরবা ব্রাহ্মণ অসিবু মীচম অচম্বা ব্রাহ্মন লম্বোই অশেংবরা হায়ববু নত্তরে। চৌংভু মাবোল্‌তে অশেংবা থোইয়ম মশা বোল্ অরেপ্প' নরনরান্ শংশংবা পতিত পাবন ওইবা হরি কৃষ্ণ মহাক্লে হায়না নিংথম্নবগী মপারিবু শমু নমদা পোনা ময়ান্ য়াংনা ওস্তেরক্লবগী কর্ণ নিংথৌরেম্না স্তরা চাকফম মরি শিল্লম্বম্লুং লৈরমত্রবগী, কর্ণ নিংথৌরেম্ন' মপারিগী শরেন এংলম্ শম্, পদ্মাবতী

মহারাণীনা শমু ওইরম শম, চৌংঙু সনা মখোং থাদা দগুবং মাঁসেম লৈদা পক্কা লাংলেন কোংয়াং য়াশাং ভাবগুম হাইহৎ লৈমাই তুম্না য়াম্বথিরে হায়দত্রা ?

শ্রীকৃষ্ণ লাইহিংথোনা মনাই ভক্ত পুক্কিং থংবিয়বগী হে কর্ণ, পদ্মাবতী, বৃষকেতু, ছোগংলো। নংনা নিংবা কৃষ্ণদা ঐনে। কর্ণ নংগী পুক্কিং য়েংপে লাকপনে। সনা কিপে শেং, চূড়া লৈবেং তৈ, চতুর্ভুজ পাম্বোম মারি পান, শঙ্খ চক্র গদা পদ্ম খুৎলাই মরিময়া লৈত্তেং ওই, মচু নোংলেন্ লাইজা ঈনৌ মানবা, মনাই ভক্ত থচেংপা কর্ণ, বৃষকেতু, পদ্মাবতী অহুম্মকপু শমু খুৎনা থৌজানবিরে হায়দত্রা ?

কর্ণ নিংথোরেম্দি চৌংঙু মথৌজান কৃষ্ণ মরন কুগী কম্বি ময়া চেৎনা ওই, পদ্মাবতী মশানৌনা পাণ্ডেশ্বরী মহারাণী ওই, বৃষকেতু মপাবিনা যুবরাজ চোইনৌ সনা য়াপিহন কোলোই সঙ্গাই মনিন্ নাই, ভরা চাক য়াংভা চরৈ ইয়িন্ তাম্দা সনা পুংপুয়েম্ লুপা থেন্মাই লাংন পান্লে। অন্তস্থং মভোমদে। চৌংঙু মরল্ কু খোইয়ম মথৌজান্দি তৃকদেশ লৈপাক পুয়মকস্থং কৃষ্ণা সনা থুয়াগী মালেম উৎকৃষ্টাবিরবগী লৈপাক চাকহোং ডাহোং খোহ লৈপাক্ ময়ুং মভাল চাও, থুম্বক মনিল্ নাই থুন্থা মৱাং হোন পান্‌করোএ হায়দত্র ? শ্রীকৃষ্ণ লাইহিংথোদি মনাই ভক্ত অহুম্মকপু চরন থুম্না লৈথাং থোং পদ্ম থম্বাল লৈভাং মানবা অনিমক্ক থৌজাল মত্তোন্ লোয়্নবগা চৌংঙু মমাই নোংচুপ পাংনা মরান ওন্তেয়কথিণ্ডনো।

শ্রীবৃন্দাবন মুংভাইবদ লৈহৌবী নন্দরাণী যশোদা দেবী হেন্-বীনা কৃষ্ণ পলেম মমা পোকমাবীদো পারি চেংলৌ শকোইথোংবু উঙ মুংশাং কুইরবগী অট্টালিকা চেকপন্ থক্তা থুবাক লাইথন্ শা, থুনিং

মোইরোম কাংনা কৃষ্ণ কোলোই মখিং কান্না মীকপ্ থিএ। হে পারি ইবুংঙো শ্যাম কাহ্নাই শকহেল্‌বা পুরুং লিয়া ভানবা-ও তৃকমেশ মপুংয়াইদা মনাই ভক্ত পুক্লিং থংলুগে হায়না মবান্ থোচংথিবনু লাক্লে। মাংদৌ লম্মখাংদা কংশ নিংথৌ কত্তুবনা পারি ইবুংঙো ইচাগী মাইবী মুংলত্রা। মনাই কান্দী লিল্ অমুবনা কৃষ্ণ ইচাগী থরাই মাংলবরা. পদ্ম থুম্না থম্বান মানবা অনিমক্কা হাকুম্ কাম্ থাংশোই অমন্ হনা ৎহ' শৌ য়ুহহ'। মাংদৌ কয়শাং চংপগী কোয়ৌ মৈনা কন্ মুংশা মৈনা শাবগী পামেন্ উথোং থা থুদিংদা পারি অয়া লমদনবদা অভাং নাওয়া অতাক্লনা খোম্লেন ভূম্‌গল্‌থিরিভৈদা পারি ইচাগী চক্র নাংকোং খোংজাওলেন্দা ভীলমী লুনাইদবনা চংলয়'। পারি ইবুংঙো পুকফবা-ও, পারি নাওয়' নথুভৈদা থাংজা ইবৈকাই লৈকাই ইপান শাংগী ননী শঙ্গোম খোলাথক্কী শঙ্গোম চক্ষু থুগাই হায়না রাহমুংথানুগী নপন হ্রন' কৃষ্ণ নথুং মচা অপিশকপু পয়ৈ লাংগা শানা শমু তুংবুরববু পারি নথাং ভানৌবদা থোরী কোঙ্গোই থুনা তম্পী গুম্লাই মাইপাকপা পামেল্ লেপ্ত্রম্ চেংবদা পুনবরু মুংয়োল রায়ৌ লৈভবা-ও. পারি ইবুংঙো অশোলবগী পাঙ্গল ওইবা, পাংদবগী মীচং চংবা ইচানে। থাইনা লহান্ নোং ননাই কংশ নংথৌনা গোকুল সনা লৈপাক পুমমকপু তুম্না হাংকে হায়বগী চৌংভ্ ইন্দ্র সবারেনুগী মথুনেং লাঙ্গোই ভৌনা হেনবা শায়া মরি পানবা ইরাবংকী মপারি কুবলয়া কোবা শামুবু থাদোক্লকুনা গোকুল পুম্না তুমগে ভৌগুম্লবদ পারি কৃষ্ণ নপাঙ্গোয়া লাঙ্গোই শায়া শংনা শামু মাইবী লৌনা গোকুল পুমমকপু কনবিরঞ্জনে ; অচুম্বং মভোমদে।

থারকা নপুংয়াইদগুং চৌংভ্ ইন্দ্র সয়ায়েয়া থারকা পুমমকপু

তুম্না হাংলগে হাঙ্গনা খোইমোম খুংগু বজ্র কোয়ৌ নোং শীংজংনা লোইদাম ইভা ইভেন থাদা নোংলেন্ মখোং ফুমনা চুবত্তম্ নোংলেন নোংজু থাগুম্লে পারি কৃষ্ণ নখুং নিংখিবা চম্পক লৈহাও পুম্নম শাংপা লৈগুম্বনা খুংনাও মরি অপিশক্লা চৌংলেন পলং লা সনা চৌংদোম্ পোক গোবর্দ্ধন চৌং মণ্ডল্ অনৌবনা লৈতেং চৌং কুণ্ড ৬৪ তিম্না শালশেম্ চৌংবু চৌংলেন্ য়েন্পাক ওইনা থাজংলবগা তাইবং জীব থম্নাই পুম্নমকপু চৌংলেন থাদা থম্না দ্বারকা পুম্নমকপু য়াইবী থম্নাই হিংলক্লবনে। পারি ইবুংঙো জীব কারন্ ভাকপীহৈবা ইচানে। পারি নংবু লৈতরবদি ত্রিভুবন ১রোন অহম্মক্তি শিংলেন অবেশ্বা লৈমাং অভিংঙা ওইরে। শ্রীবৃন্দাবনস্তুং অবেশ্বনে। নপন্ ঐগী অতোন্ লাইজ নিংখিববু অমৃত খোম্লাং লাইজা ইনম্থবনা মুপা চরৈ কিরোন্ কাওরক্লে। পলেম ইমানা কৈম্নাতান্দ' খোংনা খোম্লাং চিম্নি নৌহাম্গে থিক্লেন মম্নারো। পারি কাহ্নাই নংবো লা-ও হায়না মীকপ্থিএ। বৃষভানু মযোম্ লোল্ চোইনৌ সনা মৈথাং কোন্তুম্নবী কাম্মুলতী হকচাং ওইবী য়োম্ কুঞ্জ মরুপ্ পুম্নমকী লিক্লাং স্তুমেক্ক ওইরিবী চেংলৌ শকপাম্মোংগী মবেম্মা চরৈ মকিজেং শ্রীমতী রাধিকা হেয়োবী লিকাচা হৈমান্বা মচু চেংলৌ শক উজ্রবগী হে কৃষ্ণ ইবুংঙো', জীব কারন থম্নাই ভাকপীহৈবা-ও-, রাধা ঐগী থম্নাই ইমিরেন্ ইথং কশালেন্ও, ইবুংঙো নংবু মাইগৈ লমদম কৈদা চংথিরবগী চেংলৌ নশক্ নিংখিববু উদরবনো। রাধা ঐবু ইতোম থম্নাই মপাল্ কৃষ্ণা করম্ নোংমম্লো হায়না তম্নবনো হায়না ভূমি মাচেম লৈদা ওম্না মীকপথিএ। গোপী লিশিং তরাতরুকমকশুং

মুখ চিন্নাম্ খোংদা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্ন' মতোম্ মতোম্ রাইথুং কপ্পি থংদনা নোংথক্নাইনরে হায়রদত্রা ?

মতৌ পান্দম অমদি শ্রীবৃন্দাবন্দা লৈরিবা পোনবী তেনন্না লৌশিংবী চোংতা মীরোন্ থোকপা কোকিল চেক নিংথৌনচিংনা রাকৈরম্বা পোনবী চেকয়াম্ পুন্নমকপু পোনবী মরোল খোক্না থোং-দরে। ঈন্নুং চাংথোং রাকৈবিদরে। শ্রীবৃন্দাবন্দা ওংলিবা শিংলেন বাত্তি পুষ্প লৈন্নুংশিনচিংনা লৈরাং লৈকা কন্না শাংপিদরে। মতৌ পান্দম অমদি লোইবী চাংদা পোকপ্পা রাপরৌ হাজং চাবা শজি শত্তাইশিংনা পাংপান কোনৃয়া অচৌবগী হুপ্নৌ লেংলেং মাংদা থাবনু শজিক্ নান্নাইবিদরে। যমুনা লাইজা তোরৈবেক্ ঈশিং কো-ঙ্গোল ঈরিকা চাংজৌ শিংথোং রৈনা চেনবসুং চেনবিদরে। ইরোক ইরাওথোন অচৌবসুং ঈশিং মথোন তাথিদরে। মলয়া মুংশিং নামি-বনা মালং অনি চিন্নোক্ননা থমৃগোন্ অনি লেংতিন্ননা মালং তপ্পা শিং থমগোন লিরি হুয়া ঈন্নুং চাংথোং রাকৈরম্বা মুংশিংনসুং শিংথিদরে। শিংলেন্ নিংথিবা লৈরাং মনম মুংশিবা পুন্নমকসুং লৈরাং মনম তাথি-দরবগী শ্রীমতী রাধিকা নিংথিবাদি মতৌ করমু লৈতনা মীকপ্পকএ—হে শ্রীকৃষ্ণ ইবুংঙো নংবু লমদম্ অথাপ্পা কৰিওম্বদ চংথিরবগী চেংলৌ নশক নিংথিববু উদররনো ওক্ষোকএ। রাধা ঐগী থরাই ইমিরেন্ ইথং কশারেন্নবু ওইনবা ইবুংঙো নংবু লৈতরবগী রাধা ঐগী কোলোই পাওদমকমসুং থংদরে। থরাইবু মপাল ক্রুরা পামেল লেপকং উ অকংবওম ইতোম্ করম্ নোংমন্নো হায়না তয়্যরবনো। ইতোম কাম অথোইবনা থাপ্পী মৈবু ওইরে। চানা লাংকং ই অকংবদা থাপ্পী মৈহুম চাওনা চুওয়ে। হে ইবুংঙো জীব কারন থরাই তাকপী হৈবা-ও,

রাধা ঐগী থরাই ইমিরেন্ মিরেন্ খৌয়াংববু ভাকপীর-ও হায়না শ্রীমতী রাধিকা হেনৌবানা ভূমি মালেম লৈময়োলদা হাইজৎ লৈমাই-তুনা শ্রীঅঙ্গ হকচাং নিংথিবীবু উফুন পাক্লেনা মীকপ্ হঙ্গৎ ভমদনা ওয়া থোইনা মীকপ্লিদৈভো শ্রীকৃষ্ণ লাইয়িংথৌদি—শ্রীবৃন্দাবন মুংভাইবা কুঞ্জ উমং অচিকপা ভাওজিং হৈয়ামৃলক্ শিঙেন লৈয়াম্লক্লা মশানৌ রাধা মমাং শংশংবদা রাইথুংলুরে হায়দত্রা ?

মশানৌ রাধা মত্তৌ য়েংনা মুংশি পুক্লিং চংলবগী শ্রীকৃষ্ণ লাই-য়িংথৌনা মনাও বাধাবু লোক্লৌশানা কোন্থংলবগা কৈরাভান্দা থোংনা শমু মহকশাংবু উফুন ভোংশা পকপবু কৃষ্ণ চরৈ ফিজি ভোয়া কৈভনা নায়া য়োইচান্‌বিরে হায়দত্রা ? শ্রীরাধিকা নিংথিবীদি কৃষ্ণ মমান্ মচাগী চেংলৌ মশক উরবদা রাধা থরাই ময়োল চোংনা হরাওরে। গোপী লিশিং ১৮ মকস্মুং উনবী পুক্লং থুংনা মুংভাইরে। পোনবী মরোল পোক্তরবা পুম্নমকস্মুং পোনবী মরোল থোক্লা যাওরা থোজেল লাংনৌ থোইনা থোংলক্লে। লৈরাং থুইক্লমচন্‌বা পুম্নমকস্মুং লৈরাং লৈকা ফন্না শাংলক্লে। শ্রীবৃন্দাবন মুংভাইববু উমং হুভাইবা জঙ্গল মরাং হৌনা পানম্বরে। শ্রীকৃষ্ণ লাইয়িংথৌদি মপন নন্দরাজ মথোং থাদা নপারি ঐবু তুকদেন্দ মপুংয়াইদা ইনাই ভক্ত পুক্লিং শেংগে হায়না ইরান থৌচংলুববু ইচিংহনুরাইবক্লে হায়না কোলোই পাওদম্নবগা, পলেম মমা পোকমাবী নন্দরাণী যশোদা অহেনবীদা কে পলেম ইমা পোকমাবীও, নপারি ঐবু লাক্লে হায়না কোলোই পাওদম্ন-বগা, পলেয়া কৈরা ভাজিনুথক্তা অমৃত থোয়াং লাইজা ঈনৌ চায়বগা গোপী লিশিং ১৬ মকা মশানৌ প্রিয়া চায়থোকবী শ্রীমতী রাধিকা নিং-থিবীন্দু শমু ওইরম থা, ত্রিভঙ্গ মথেক লৈবোং শা সখী লিশিং অরা

ভক্তকমক্তা কাংছাই মিতমৃহুম্ চামর মৈলেং হৌনা য়োয়না খোঁগন তৌ, শ্রীবৃন্দাবন লুংতাইবা কুঞ্জ উমং অচিকপা তাওজিং হৈয়ামক্ শিংলেন লৈয়ামক্তঃ কৃষ্ণ লীলা কোয়ৌ তত্তনা বিলাস হয়াও খোইনা শানা কুমৈ লুংতাইববু উনবী পুক্নিং অপেন্ নাইদনা শায়রে হায়দত্রা ?

হে ভক্তজন খোইমুম লাইবু নিংবশিংও কর্ণ দাতা শৈওঙ্খোক চৌংঙ্ শাইওল বৃষকেতু ভক্ত য়ায়ৌ লমদাংশাংবু ইয়াকৃমনা হেপ্পি পম্বাং লোয়ে। হে ভক্তজন অতান তাইবংপান মীওইবাশিংও, ভক্ত ময়মচংপু তমভৌনে। হরি লাই মরু লৈয়োন নোংলোন ৩ মকী মপুয়েন চতুর্ভুজ পাখোম মরি পানবা শঙ্খ-চক্র-গদা-পদ্ম খুৎলাই মরিনা লৈতেংলিবা পন্ডিত পাবন ওইবা হরি লাই মরুবু পুক্নিং খোঁকাও লৈতনা হরি হরি কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোয়ো। তাইবং থয়াই লায়-ভৌনে। হরি কৃষ্ণগী কোলোই মিংলেন অসিবু অতৎপা লৈতনা কোয়ৌ নোংজা খুদিংগী তত্তনা শোয়বদি নমু তাইবং মীওইবগী মপোক লাংওল খুদিংদা নয়ক লৈতাদে, থয়ুং য়ায়ক্ নংদে, অয়া পোৎলুম কোকভৌনে। নমু তাইবং ওইবা ঐখোয়দি হোয়েন শিগনি থংদে, হয়েং শিগনি থংদনা পানবা পুংনে। শ্রীরাধা কৃষ্ণ কোলোই মমিংথোং নাম অমৃত অথুম্বা হরি মিংলেন শিদবা অসিবু সত্তা গুরু লাইওইনবশিংও, কোয়ৌ নোংজা খুদিং, য়াংলেন পুংজা খুদিং, চেংলৌ মিকুপ নাইদনা অহিং মুংখিল পোৎথাদনা শোয়ৌও। ইয়াকমদি ইমাই হাওবৈ নোংচুপ পাং শ্রীবৃন্দাবন লমৃওয়া তাইবং থয়াই মরা চেৎনা লৈ, অচিক অশা থাংনা লৈ, পাখৌ মরুপ তিয়া লৈ, মপা গুরু নাইনা লৈ, রাধা মিংলেন ফায়া লৈ, কৃষ্ণ কোলোই মিং শোয়া লৈববু নাওয়া তাংজা লূদা খোংনা হরি হরি কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোয়া হরি সনা মখোং থাদা কোমৃশিয়গে। হে হরি হয়া হে হরি ও।
